সেমিফাইনেল বাউটশিং শান্নদুনা ফাইনেলিষ্টশিং খনগৎখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৫ ঃ

মণিপুর এমেটচর বোক্সিং এসোসিএসন্না শিন্দুনা খুমনলম্পাক বোক্সিং এরেনাদা চথরিবা ষ্টেট লেবেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২১–২২ গী ঙসি তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিগী সেমি ফাইনেল বাউটশিং শান্নদুনা ফাইনেলিষ্টশিং খনগৎখিবগা লোয়ননা সেমিফাইনেল বাউটতা মায়থিহৌরবশিং ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক শেম শাখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা সেমিফাইনেল বাউটশিংদা য়ুথ ৱুমেন্সকী কে জি ৫৪ দা ইম্ফাল ইষ্টকী হুইদ্রোম গ্রেভিয়া না উখ্রুলগী এলিস আর সিমরে, সব জুনিয়ার বোয়জকী কে জি ৫৫ তা ইম্ফাল ইষ্টকী লাইশ্রম মঙাল সনা না বিষ্চণুপুরগী কেনি নিংথৌজম অমদি ইম্ফাল লেষ্টকী জয়রাজ য়েঙ্খোমনা লাইশ্রম খেলেন্দ্রো, ইলাইঠ মেন্সকী কে জি ৫৭ দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাইশ্রম এদিসন্না ইম্ফআল ইষ্টকী কৈসাম লক্কিসন অমদি চান্দেলগী মাংতেং লোয়া কোমনা থৌবালগী লাইশ্রম রোমান্স, ইলাইট মেন্সকী কে জি ৬০ দা থোবালগী সান্তিকুমার লাইখুরামনা তেংনৌপলগী লেটখোসন হাওকিপ অমদি ককচিংগী লৈশাংথেম বোইয়াইনা ইম্ফাল ইষ্টকী রাহুল কুমার, সব জুনিয়ার বোয়জকী কেজি ৪০ দা ইম্ফাল ইষ্টকী ংথৌজম নাওচানা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাংথোই চীরোম অমদি থৌবালগী মনিথোইবনা ককচিংগী থোইথোইবা থাংজম অমদি জুনিয়ার বোয়জকী কে জি ৪৬ তা ইম্ফাল ৱেষ্টকী হুইদ্রোম রিসিনা ককচিংগী এম দি মুজাহিদ অমদি উখ্রুলগী অৱুংসি জিংঙোনা বিষ্ণুপুরগী থাইমে জেক্সন, য়ুথ ৱুন্সেকী কে জি ৪৮ দা বিষ্ণুপুরগী সনাবম সুরমালানা ইম্ফাল ইষ্টকী তেনসুবম রোজিবালা অমদি উখ্রুলগী থিমরৈচোং কসোমৱুসিনা ইম্ফাল ৱাষ্টকী পিঙ্কী ওইনাম, ইলাইট মেন্সকী কে জি ৪৮ তা ককচিংগী এম দি নাজিমুদিন্না বিষ্ণুপুরগী নমৈরাকপম মনাও অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী হৈক্রুজম ইরাবটনা ইম্ফাল ইষ্টকী হৱাইবম বোরেন, ইলাইট ৱুমেন্সকী কে জি ৪৮ তা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ইলিজানা তেংনৌপলগী পিপা খুম অমদি বিষ্ণুপুরগী ঙাঙোম রিমানা ইম্ফাল ইষ্টকী মন্সি লাইশ্রম, জুনিয়ার গলর্সকী কে জি ৫০ দা থৌবালগী হিজম জেনিতানা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নিঙোম্বম রিপা অমদি বিষ্ণুপুরগী বেনিকা য়ুম্নামনা ককচিংগী মোইরাংথেম লক্সমি য়ুথ ৱুমেন্সকী কে জি ৫০ দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কে বন্দনানা বিষ্ণুপুরগী বিদ্য মৈস্নাম অমদি কক্চীগা এলাংবম থোইথোইনা কাংপোকপীগী থিংমিলা দোঙেল, য়ুথ মেন্সকী কে জি ৫১ দা বিষ্ণুপুরগী থোকচোম অমিৎকুমারনা উখ্রুলগী কাপিং হোংচুই অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাইশ্রম দিপকনা থৌবালগী নিংথৌজম চীংলেনম্না ইলাইট মেন্সকী কেজি ৫১ দা বিষ্ণুপুরগী সঞ্জেনবম সুরেশনা ইম্ফাল ইষ্টকী তোইজম ননাবু মায়াথিবা পীবা ঙমখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট সেকেন্দ অমদি থার্দ দিবিজন

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৫ ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিস্ত্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শিন্দুনা পাটশোই পার্ট টু মখা লৈকাইদা লৈবা পাময়াল গ্রাউন্দা চথরিবা ১০ শুবা কাংজম কর্নাজিৎ সিংহ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিবিজন ফুটবোল লিগ ২০২১ গী ঙসিগী মেটচশিংদা কে ৱাই সি খুরখুল অমদি কে এ এন কদাংবন্দ মায়পাকপা ঙমখ্রে। ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা কে ৱাই সি খুরখুলনা এন আই এস সি লাইরেঞ্জমবু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইখি। মেটচ অসিদা এন আই এস সি গী ও রমানন্দানা মিনিট ৬০ চৎপদা গোল অমাখক চনখি। লম্বা ওইরিবা কে ৱাই সি গী ওইনদি এল রিসিকান্তনা মিনিট ১২ অমদি ১৯ লোয়ননা লুংগৌহাওনা মিনিট ৩৪ চৎপদা গোল চন্দুনা মায়পাকখি। ঙসিগী অনিশুবা মেটচতা কে এ এন কদাংবন্দনা সিকো লৌরেম্বম লৈকাইবু পাঞ্জল ৪–০ দা থোইবা ঙমখি। মেটচ অসিদা কে এ এনগী এম কিষন্না মিনিট ১৪, ৬০ অমদি ৮৪ লোয়ননা ফিলিপ থংহানা মিনিট ৩৮ চৎপদা গোল চন্দুনা মায়পাকপা ঙমখিবনি।

গ্রাউন্দ অসিমক্তদা চথরিবা মরিশুবা মনি শর্ম্ম মেমোরিয়েল থার্দ দিবিজন ফুটবোল লিগকী ঙসিগী মেটচতা কে এ এল ৱাই সি করাংনা কে এস ৱাই সি হিয়াংথাংবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইখি। মেটচ অসিদা কে এস ৱাই সিগী সাগরনা মিনিট ৩২ লোননন্না ক এ এল ৱাই সি গী কে প্রিথিবনা মিনিট ৪৭ অমদি ৭৯ চৎপদা গোল চনখি।

অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৫ ঃ

মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসনগী চেরোল অমদা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা ইম্ফাল ইষ্টকী শোইবম লৈকাইদগী খোইরোম রোসন সিংহ, চহি ৫৮ না মনুং–মতম চাদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা লৈখিদ্রবগী থৱাইনা ঈংনা–চিক্লা লৈরুনবা মপুগী মফমদা থৌনিজখি হায়রি।

জিট কুনেদোগী সেলেক্সন টেষ্ট

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৫ ঃ

জিট কুনেদো এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী চেরোল অমদা লাক্লিবা নবেম্বর ২৮ গী অয়ুক পুং ৭ তগী ১০.৩০ ফাওবা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা কম্যুনিটি হোলদা জিট কুনেদো প্লেয়রগী ট্রাইয়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্কনি। হায়রিবা ট্রাইয়ল সেলেক্সন অসি ন্যু দিল্লিগী তল কাতোরা ইন্দোর ষ্টেডিয়মদা মথং চহিগী জানুৱারি ৭ তগী ৯ ফাওবা চত্থগদবা ৬ শুবা জিট কুনেদো ফেডরেসন কপতা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী প্লেয়রশিং খন্নবগীদমক্কনি। মরম অসিনা ট্রাইয়ল অসিদা শরুক য়ানিংবা জিট কুনেদো প্লেয়রশিং অমদি ওফিসিয়েলশিংনা মতম চানা ট্রাইয়ল নুমিৎতা লাক্কবা খঙহল্লক্লি।

ফ্রান্সনা ইন্দিয়াবু থাজদনা ওপনিংদা মায়থিবা পীরম্লে

ভুবনেসোর, নভেম্বর ২৫ ঃ

ফ্রান্সনা থাজদবা মওংদা জুনিয়র মেন্স হোকি ৱার্ল্ড কপকী ওপনিংদা ডিফেন্ডিং চেম্পিয়ন ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৫–৪ দা মায়থিবা পীখ্রে। ভুবনেসোরগী কলিঙ্গা ষ্টেডিয়মদা শান্নখিবা জুনিয়র হোকি ৱার্ল্ড কপকী ওপনিংদা কেপ্টেন তিমোথি ক্লেমেননা লুচিংবা ফ্রান্স টিম্না ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিমবু থাজদনা পাঞ্জল ৫–৪ দা মায়থিবা পীরমখিবনি।

মেটচ হৌদ্রিঙৈ ইন্দিয়াগী টিম্না ওপনিং মেটচ অসি শোয়দনা থোইগনি হায়না অচেৎপা থাজবা লৈখি। অদুবু এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ইন্দিয়াগী জুনিয়র হোকি টিম অসিনা থাজরম্বগী ৱাংমদা ফ্রান্সনা গ্রুপ বিগী ওপনিং মেটচ অসিদা য়ুম্বু ইন্দিয়াবু মায়থিবা পীরমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা খ্বাইদগী সেনিয়র ওইরবা প্লেয়র তিমোথিনা গোল ৩ চনবগী মথক্তা ফ্রান্স কেপ্টেন অসিনা ইন্দিয়াগী অরিজিৎ সিং হুন্দালনা থার্দ ক্বাটরদা পেনাল্টি কোর্নর অমদগী গোল চন্নবা হোৎনবা অমসু মায় পাকহনখিদে। অতোপ্পা ফ্রান্সকী গোল অনি অদুনা কোরিতিন সেলিয়র অমদি বেঞ্জামিন মারকিয়ু অনিনা চনখিবনি। ইন্দিয়াগী ওইনসু সঞ্জোয় সিংনা গোল অহুম চন্দুনা হেড ত্রিক ফংখি। সঞ্জোয়গী গোলশিং অসি পেনাল্টি কোর্নরদগী চনখিবনি। অদুবু পাঞ্জল শুনা হন্দোকপা ঙমদবদগী সঞ্জোয়গী গোল অহুম অসিগী কান্নবা অদু ইন্দিয়ন টিমনা ফংবা ঙমখিদে। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা গোল অদুনা উতম সিংনা চনখিবনি। ইন্দিয়ানা গ্রুপকী অনিশুবা গেমদা কনাদাগা লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎতা লম্বা অমুক থেংনরগনি। ফ্রান্সকা থেংনবা মেটচ অসি লোইরবা মতুং ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিভিক সগর প্রসাদনা ফোঙদোকপদা ইন্দিয়াগী টিম অসি হৌবদগী য়াম্না চঙখোন্না শান্নরম্বা চুম্বনি। ফ্রান্সকী মায়োক্তা ইন্দিয়ন টিমনা পেনাল্টি কোর্নর ৮ ফংবগী মনুংদা পাঞ্জল চনবগী খুদোংচাবা লোয়নবা ফংখিবদু মপুং ফানা লৌহৌবা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক অতোপ্পা প্লেয়র মনিন্দ্র সিংগী মায়কৈদগীদি ইন্দিয়ানা ফ্রান্সকী মখুৎতা মায়থিবা নংলগসু প্লেয়রশিংনা শান্নখিবা মেটচ অদুদি অদুক হাক্লা চোপনিংঙাই ওইদে। য়াম্না ফজনা শান্নখি। ফ্রান্সকী ওইনদি ইন্দিয়াগী চীফ কোচ গ্রামরেদনা হান্না থাজরম্বা চাং অদুমক্তদা শান্নখি। ইন্দিয়ানা পীফম থোকপা পাউখুম পীবা ঙমদবদগী মায়থিবা নংহৌখিবনি।

জুবিলি টুর্নামেন্ট লোয়শিনখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৫ ঃ

খুদেং থাবীগী সিবোং য়ুথ ক্লনা শিন্দুনা সিবোং প্লে গ্রাউন্দা থা অসিগী ২২ দগী চথরকখিবা জুব্লি টুর্নামেন্ট ২০২১ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি পাংথোকখিবা লোয়শিনবগী থৌরমদা দি সি তেংনৌপল এল বিক্রম, হিল ত্রাইবলে কান্সিল মোরেগী প্রসিদেন্ট জংমাং হাউকিপ অমদি সিবোংগী চিফ পাচো কোমশু শরুক য়াখি। ঙসি পাংথোকখিবা টুর্নান্টে অসিগা ফাইনেল মেটচতা সেলেপ য়ুথ ক্লব অমদি এস মোলজোল য়ুথ ক্লব অনিনা লম্বা থেংনখি। হায়রিবা মেটচ অসিদা সেলেপ য়ুফ ক্লবনা পাঞ্জল ৪–১ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী থার্দ ডিভিজন হৌরগনি

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৫ ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিনবা নহাকপম অপাবি মেমোরিয়েল থার্দ ডিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ২০২০–২১ মথং থা ডিসেম্বর ৫ দগী ৱাই দল্লিয়ু সি গ্রাউন্দ থম্বালখোঙদা চথবা হৌরগনি। মরী লৈনবা ক্লবশিং অমদি টিমশিংনা মখোয়গী ইলিজিবিলিটি ফোর্ম নবেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা পীশিন্নবা এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

বোডি বিল্ডরশিংদা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৫ ঃ

ওল মণিপুর বোডি বিল্ডর এসোসিয়েসন (অম্বা) গী চেরোল অমদা মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা শক খঙদবা এসোসিয়েসনশিংনা শিনবা বোডি বিল্ডিংগী কম্পিটিসনদা শরুক য়ারুবা জিম অমদি প্লেয়রশিং ওল মণিপুর বোডি বিল্ডর এসোসিয়েসন্না শিনবা মিষ্টর মণিপুর অমদি অতৈ কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা লৈররোই হায়রি।

মণিপুরদা হৌজিক চেংগুম শৌবগী মওংদা মরী লৈনবা ডিপার্টমেন্টনা শকখঙদবা বোডি বিল্ডিং এসোসিয়েসন ময়াম অমা থোরক্কুনা মশা–মশাগী ইন্টরেষ্টতা টুর্নামেন্ট কয়া শীনজিল্লকপনা বোডি বিল্ডিং মশান্নবু মশক থিহল্লে। মরম অসিনা বোডি বিল্ডিংবু নুংশিবা শান্নরোই অমদি গার্জিয়নশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা মশক খঙদবা এসোসিয়েসনশিং পুক্কিং থৌগৎপীগনু হায়রি।

[illegible]

[illegible]

ৱুমেন্স রেগু ইভেন্টা মণিপুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৫ ঃ

পঞ্জাবকী লবলি প্রোফেস্নেল য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ২১ দগী চথরকপা ৩১ শুবা সেনিয়ার নেস্নেল সেপাকতাক্রৌ চেম্পিয়ন্সিপ ২০২১ ঙসি লোয়শিনখিবগা লোয়ননা ৱুমেন্স রেগু ইভেন্টতা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে। চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী রেগু ইভেন্টতা মণিপুরনা অহুমশূবা তাখিবগা লোয়ননা টিম ইভেন্টা মণিপুরগী নুপী টিমনা রন্নর্স অপ অমদি নুপা টিমনা অহুমশুবা তাবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাংথোকখিবা নুপাগী রেগু ইভেন্টকী ক্বাটর ফাইনেলদা মণিপুরনা উত্তর প্রদেশপু সেট ২–০ (২১–৯, ২১–১২) তা থোইদুনা সেমিফাইনেল চংলকখি। অদুবু সেমিফাইনেলদা এস এস বি না মণিপুরবু সেট ২–০ (২১–৯, ২১–১৩) দা মায়থিবা পীরমখি। মতুং হার্ট লাইনগী মেটচতা মণিপুরনা নগালেন্দবু সেট ২–০ (২১–৯, ২১–১৬) দা থোইদুনা মণিপুরনা অহুমশুবা তাখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী রেগু ইভেন্টকী ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা মণিপুরনা দিল্লিবু সেট ২–০ (২১–২, ২১–৮)তা থোইদুনা সেমিফাইনেল চংলকখি। সেমিফাইনেলদা মণিপুরনা এস এস বি বু সেট ২–০ (২১–১৬, ২১–০১৮) দা থোইদুনা ফাইনেল চংলকপা ঙমখিবগা লোয়ননা ফাইনেল মেটচতা মণিপুরনা উত্তর প্রদেশপু সেট ২–০ (২১–৬, ২১–১০) দা থোইদুনা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY
SECRETARIAT

NOTIFICATION
Imphal, the 24th November, 2021.

No.1/24(09)/2020-LA(E): Applications are invited from the intending candidates for direct recruitment to the following categories of posts in Manipur Legislative Assembly Secretariat on regular basis. The number of the posts may be increased or decreased subject to availability of vacancies from time to time.

1. 1(one) post of Manager:

Pay Scale	Essential Qualification	Desirable	UR	ST
Rs. 5200-20,200 + 2800(GP) (level-6 of pay matrix of ROP-2019)	(i) Diploma in Hotel Management and Catering Technology or Tourism Travel and Hotel Management from a recognized University/ Institute or its equivalent.	(i) 3 yrs experience in the field of hotel management and catering in the hotels under the government or semi govt. bodies like Tourism Development Corporation, Railway or Private Sector hotels of repute.	1	0

2. 1(one) post of Chef-de-Partie/Executive Chef:

Pay Scale	Essential Qualification	Desirable	UR	ST
Rs. 5200-20,200 + 2800(GP) (level-6 of pay matrix of ROP-2019)	(i) 3(three) years Diploma in Hotel Management or its equivalent with Craft Course/NCTVT (National Council for Training in the Vocational Trades) with a minimum of 3 yrs experience.	(i) Knowledge of English, Manipuri and Hindi	1	0

3. 1(one) post of Receptionist:

Pay Scale	Essential Qualification	Desirable	UR	ST
Rs. 5200-20,200 + 2400(GP) (level-5 of pay matrix of ROP-2019)	(i) Graduate from a recognized University.	(i) Fluency in English, Hindi & Manipuri	1	0

4. 1(one) post of Electrician:

Pay Scale	Essential Qualification	Desirable	UR	ST
Rs. 5200-20,200 + 2400(GP) (level-5 of pay matrix of ROP-2019)	(i) Matriculate/ HSLC from a recognized institute/ Board. (ii) Passed 3 yrs. course of electrician or its equivalent from any recognized I.T.I./ Institute.	(i) 2 yrs. experience in the trade in any recognized firm / company/ Organization. (ii) Knowledge of English, Manipuri and Hindi.	1	0

5. 1(one) post of House Keeper:

Pay Scale	Essential Qualification	Desirable	UR	ST
Rs.5200-20,200 + 2000(GP) (level-4 of pay matrix of ROP-2019)	(i) Graduate from a recognized University.	(i) Knowledge of Manipuri, English & Hindi.	1	0

6. 1(one) post of Cook:

Pay Scale	Essential Qualification	Desirable	UR	ST
Rs. 4440-7440 + 1650(GP) (level-1 of pay matrix of ROP-2019)	(i) Matriculate/ HSLC from a recognized institute/ Board.	(i) Knowledge of Manipuri, English & Hindi.	1	0

7. 1(one) posts of Helper:

Pay Scale	Essential Qualification	Desirable	UR	ST
Rs. 4440-7440 + 1650(GP) (level-1 of pay matrix of ROP-2019)	(i) Matriculate/ HSLC from a recognized institute/ Board.	(i) Knowledge of Manipuri, English & Hindi.	1	0

8. 1(one) post of Bearer:

Pay Scale	Essential Qualification	Desirable	UR	ST
Rs. 4440-7440 + 1650(GP) (level-1 of pay matrix of ROP-2019)	(i) Matriculate/ HSLC from a recognized institute/ Board. (ii) Spoken knowledge of English, Hindi and Manipuri.	(i) 2 yrs. working experience in Hotel or Restaurant.	1	0

9. 1(one) post of Pump Operator:

Pay Scale	Essential Qualification	Desirable	UR	ST
Rs. 4440-7440 + 1650(GP) (level-1 of pay matrix of ROP-2019)	(i) Matriculate/ HSLC from a recognized institute/ Board. (ii) Certificate course from any recognized I.T.I./ Institute.	(i) Knowledge of Manipuri, English & Hindi.	1	0

10. 1(one) post of Plumber:

Pay Scale	Essential Qualification	Desirable	UR	ST
Rs. 4440-7440 + 1650(GP) (level-1 of pay matrix of ROP-2019)	(i) Matriculate/ HSLC from a recognized institute/ Board. (ii) Certificate course from any recognized I.T.I./ Institute.	(i) Knowledge of Manipuri, English & Hindi.	1	0

N.B. Age Limit for all categories of posts as mentioned above:- (i) 38 yrs. and below (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST and 3 yrs. for OBC candidates) (ii) The upper age limit is relaxable for Govt. Servants appointed under Govt. of Manipur/ Manipur Legislative Assembly Secretariat to the extent of the period of continuous service put in the post /service who belong to SC/ST/OBC will get the facility admissible to a Govt. servant in addition to the relaxation admissible to SC/ST/OBC candidates mentioned at (i).

Terms & Conditions:

1. Application forms will be available at the Banquet Hall, Manipur Legislative Assembly Chingmeirong on payment of ₹500/-(Rupees five hundred) only for unreserved candidates and ₹300/-(Rupees three hundred) only for SC/ST candidates from 29/11/2021 to 01/12/2021 and duly filled-in forms shall be submitted from 02/12/2021 to 04/12/2021 and admit cards will be issued from 06/12/2021 to 07/12/2021 during office hours at the said venue.
2. Date of written test will be notified later on. Scheme of examination for direct recruitment to Group-III and IV posts under the State Government is in compliance with the Extraordinary Gazette No. 166, dated 20/09/2021.
3. The decision of the authority as to the eligibility or otherwise of the candidates will be final.
4. The notification may be cancelled at any time without assigning any reason thereof as per decision of the authority.
5. The detailed information can be had from the office of the undersigned during the office hours.
6. There shall be relaxation of upper age limit for those who have the experience of working in the Assembly Secretariat or any Govt. Department/ Organisation/ Institution to the extent of number of year(s) they have served on regular basis or contract/casual basis.

Sd/-
(G. Tapankumar Sharma)
Joint Secretary (Admn.),
Manipur Legislative Assembly.

I/B/25-26-27

Editor: **Laishram Kumar** Printed & Published by **Ng. Devendro Meetei** on behalf of himself at **Lamyanba Printers**, Konung Lampak, Imphal - 795001 (RNI No. MAN MAN 2004/14847) Phone : **2461901**, **9436296510** e-mail: ***ireibak@yahoo.com*** Fax - **2461901**